**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-01-2026)**

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুর কনবা খোঙচৎ কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

খোঙচৎ অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী টিদিম লম্বীদা লৈবা টিদিম গ্রাউন্দদা মীয়াম পুল্লবা মতুং মফম অদুদগী মীয়ামগী খোঙচৎ অদু কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন তমা লাকখি। তুংদা, ৱাহেংবম লৈকাই, নাগামপাল অমসুং খুয়াথোং ফাওদুনা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দ ফাওবা চৎখি। মনিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মনিপুর কায়বা য়ারোই, আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হনজিলহল্লু, নেসনেল হায়ৱেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট ওইহল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

মনিপুর কনবা খোঙচৎ অদু থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা থুংলবা মতুং মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়াবা ৱারেপ ৮ সু লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা-সংবিধাননা পীরিবা মীয়ামগী হক অমসুং লৈঙাক ফংহল্লু লোয়ননা ট্রান্সপেরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিতি লৈবা লৈঙাক সাসন অথুবা মতমদা লৈহনগদবনি, মনিপুরদা এন.আর.সি. নৎত্রগা মসিগা মান্নবা মেকানিজম অথুবা মতমদা পুথোক্কুনা লিশাং শিৎনা ভারত সরকারনা অয়াবা পীদুনা চংশিল্লকখিবা মীতোপশিং খঙদোক্কদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্তা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী লুচিংবা কয়ানা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা কোকোমিগী কনভেন্নর-ৱাই.কে. ধিরেননা হায়-ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মনিপুরদা নুংশি চান্ননা খুন্দামিন্নরম্বা য়েলহৌ

ফুরুপশিং অসি খাইবুং খাইবুং তাহল্লে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা ভাব তান্নদবা ফিভম অসি করম্বা মায়ওনদা চৎতুনা রাজ্য অসিদা অমুক হন্না শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

খোঙচৎ অসি মপুং ফাহনবদা য়ু.পি.এফ, ইপসা, পান্দম, অকোমলুপ, ইপাক, কে.এস.এ, লোয়ালুপ, কংলামৈ, কিল্ড, সি.এল.কে, ই.আর.বি.ও, অক্সিল, অন্দোক, এম.আই.কে.এল. অমসুং এস.ডব্লিয়ু.এগী অপুনবা লুপ-সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাক অমদি তোঙানবা ক্লব অমদি সংস্থানশিং য়াওনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফ্রপশিংগী মীওইশিং, মহৈরোইশিং, অমদি আই.দি.পিশিং য়াওনা মীয়ামা শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অসি কোকোমিনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা মীয়াম পুমমক্কী মাংদা তারিবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমদি মনিপুরবু কনবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপনি।

মনিপুর কনবা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা কোকোমিনা শিন্থা লেপবা মীয়ামদা পীখিবা পাউজেল অদুনা মরম ওইরগা ঙসি রাজ্য অসিগী লল্লোন ইতিক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা ইম্ফাল ময়োলগী কৈথেলশিং থোং লোন্নখি। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। তম্পাক্কী জিলাশিংগী মরুওইবা কৈথেলশিং থোং লোনখি। মফম অয়াম্বদা স্কুল কলেজশিং হাংনখিদে।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ৩৭ শুবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী লোয়শিনবগী থৌরম তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী মিণি সেক্রেটরিয়েট কনফরেন্সতা হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস তমেংলোং, জেট.ই.ও. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসনা সড়ক সুরক্সা অভিয়ান হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-চুংলেনমাংনা মীয়ামনা মরুওইনা তমেংলোং জিলাদা লৈরিবা মীওইশিংনা হায়ব্রেশিংদা গাড়ি

থৌবা মতমদা চেকশিনবীনবা অমদি মী য়ামা চিনবা মফমশিংদা গাড়ি তপা থৌবীনবা আপিল তৌখি। থা অমা চুপা চথুরকপা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহনবা, লাই য়েকপা চাংদমবা, স্ত্রিত প্লেনচিংবা পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিংজমৈগী মৈরা পাইবীশিং, ইমা কৈথেলগী ইমাশিং, থৌবালগী নহাশিং অমসুং মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নখ্রে।

থৌরম অদু অসাম রাইফলস অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থমবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল-ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ৪৬ শুবা রাজ্য থাক্কী মীফম হয়েং ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোক্কনি।

**সিতারমন ঃ** কেন্দ্রগী সধারন বজেট ২০২৬-২৭ হয়েং সংসদতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্লগনি। লোক সভাদা সধারন বজেৎ পুথোক্লবা মতুং মসিগী কোপি অমা রাজ্য সভাদা পুথোক্কনি। ইং কুমজা ২০১৯ দা ফম অসি হেক পায়রকপদগী শ্রীমতি সিতারমন্না থংন-থংননা বজেৎ পুথোকপা অসি হন্দক্কী অসিগা ৯ লক শুবনি।

বজেটকী দোক্কুমেন্টশিং সংসদতা মসিগী ৱারোল পীরবা মতুং মোবাইল এপপ অমসুং ৱেব সাইটতা ফংগনি।

বজেটকী দোক্কুমেন্টশিং সংসদতা মসিগী ৱারোল পীরবা মতুং মোবাইল এপপ অমসুং ৱেব সাইটতা ফংগনি। বজেৎ পুথোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা শেল থুম মন্ত্রিনা ইকোনোমিষ্টশিং, ত্রেদ য়ুনিয়ন, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লম, এম.এস.এম.ইনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খঙ হৈরবা ষ্টেগ

হোল্ডরশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱা খন্নখি।

কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্নসু বজেৎ মীফমগী মাংওইননা লৌউ শিংউ অমসুং রুরেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সধারন বজেট পুথোক্লবা মতুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা কলেজ মহৈরোই ৩০ রোমগা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। থৌরাং অসিগী মখাদা কলেজ মহৈরোইশিংনা লোক সভাগী গেল্লেরিদগী কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোকপা অদু হকথেংননা য়েংগনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লুচিংবা অমিত সাহনা ঙসি নোংচুপ বেঙ্গোলগী বরাকপোরদা লৈবা অনন্দপুরিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা শরুক য়াখ্রে। শ্রী সাহনা হায়-রাজ্য সরকারনা য়াদ্রবসু এস.আই.আর. মপুং ফানা চত্থখিগনি।

রাজ্য সরকারনা অয়েৎপা পীবদগী মফম অদুদা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক হৌজিক ফাওবা লোয়শিন্দনা লৈবনি হায়না গৃহ মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। নোর্থ টোইন্তি ফোর প্রগনাজতা পাঙথোকপা শিন্মীশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়-ফজারিবাদতা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ২৭ শিখিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়-থৌদোক অসি পাল্লিবা সরকার অসিনা শেঞ্জা থুমজা তৌবদগী থোকখিবনি।

**গোয়লঃ** কেন্দ্রগী কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়রি-ভারত অমসং্ য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা লৈনরিবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্টকী মতুং ইন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা লৈবাক অসিগী পোৎথোকশিং থাদোকপগী চাং চহি মঙা অসিদা হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎলগনি।

শ্রী গোয়লনা করবাররালাশিং, এম.এস.এম.ইশিং, স্তার্টঅপ অমসুং ও

টরপ্রেন্যুয়রশিংনা লম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংনবসু আপিল তৌখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা য়ান্নরিবা অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কয়াদা কান্নবা পীরগনি। শ্রী গোয়লনা হায়-ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট অসিনা ভারত্তা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা অরাব লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিং, লিগ ওফ অরাব ষ্টেটকী সেক্রেটরি জেনরেলশিং অমদি অরাব লৈবাকশিংগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নখ্রে। মখোয় ভারত-অরাবকী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী অনিশুবা মীফমদা শরুক য়াবা লাকখিবনি। ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা মীফম অসি পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসিদা অরাব লৈবাক ২২ মক্কী মীহুৎ কাংবুশিং শরুক য়ারি।

উন্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরকপা মরীগী মতাংদা নৌহৌননা নীংশিংখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহিশিংদসু মখা তানা অফবা মরী থমবগী মতাংদসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়-লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি, টেকোলোজি, হকশেল য়াওনা অতৈ লম কয়াদা লৈবাক অনিগী মরক্তা মখা তানা তেংবাং পীনবগী মতাংদসু খন্নখি।

**মহারাষ্ট্র ঃ** মহারাস্ত্রগী উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা অজিৎ পৱারগী লোয়নবী এম.পি. শ্রীমতি সুনেত্রা পৱারনা রাজ্য অসিগী অনৌবা উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

শ্রীমতি সুনেত্রা পৱারনা রাজ্য অদুগী উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইরকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-শ্রীমতি সুনেত্রা পৱারনা ফম অসি পায়বা রাজ্য অসিগী ওইনা অহানবা নুপী ওইরে। মহাকা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী য়াইফননবা

থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি অমদি অজিৎ পৱারনা পামজরম্বা মংলানশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

মদুগী মমাংদা, সাউথ মুম্বাইগী বিধান ভাবন কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা মীফম অমদা মহাকপু এন.সি.পিগী লুচিংবী ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখিবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং জলন্ধরদা চৎকদৌরিবা অসিগী মাংওইননা পঞ্জাবকী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱান্ট মান সিংহনা অদামপুর এয়ারপোর্টপু শ্রী গুরু রবিদাসকী মীংদা থোন্নবা হায়রি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা শেম শাবা পুমমক লোইরে। রাজ্য সভাগী সদস্য অশোক মিতলনসু এয়ারপোর্ট অসি মমিং ওন্নবা হায়জবা লৈখ্রবনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা চহি অনিগী মমাংদা অদমপুর এয়ারপোর্ট অসি শঙ্গাখিবনি। মতম অদুদা মহাকা এয়ারপোর্ট অসি শ্রী গুরু রবিদাসকী মমিং ওনবীনবা প্রধান মন্ত্রিদা হায়জখিবা লৈরে।

**মেলাঃ** উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি ৩৯ শুবা শুরজ কুন ইন্তরনেসনেল ক্রাফটস মেলা ২০২৬ ফরিদবাদতা হৌদোকখ্রে। লোকেল টু গ্লোবেল অত্মা নিরভর ভারত হায়বা হীরমদা পাঙথোক্লিবা মেলা অসিদা কেন্দ্রগী টুরিজম মন্ত্রি-গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট অমসুং হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি-নয়ব সিংহ সাইনি শরুক য়াখি।

নুমিৎ ১৬ নি চত্থগদবা মেলা অসি মথং থাগী ১৫ দা লোয়শিনগনি। মসিদা ইজিপনা অহুমলকশুবা ওইনা মপাং ওইরি। উত্তর প্রদেস অমসুং মেঘালয়না থিম ষ্টেট ওইরি। মসিদা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎথোক্তুনা মালেমদা ফিদা অমা কনবা ঙমনবা অসিগুম্বা মেলা অসি পাঙথোকপনি।

**সারস ঃ** সারস মেলা জম্মু কাশ্মীরগী কলা কেন্দ্রদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈবা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমদি নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেলা অসি জম্মু কাশ্মীর রুরেল লাইফলিহুদ মিসন্না শিনবনি। মেলা অসি ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৯ ফাওবা চত্থগনি। জাতি থাক্কী ওইবা মেলা অসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী লাকপা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং মরুওইনা নুপীশিংগী হৈথোই শিংথোইরবা কয়া উৎকনি। জম্মু কাশ্মীরগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী নুপীশিং অমসুং অতৈ রাজ্যশিংগী নুপীশিংনা মেলা অসিদা মখোয় মখোয়না শাবা পোৎলম কয়া পুথোক্নুনা মীয়ামদা ফংহনগনি।

**ৱেটলেন্দ ঃ** ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লামেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা ভারতকী রামসর সাইদতা নৌনা ৱেটলেন্দ অনি হাপচিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

নৌনা হাপচিল্লবা ৱেট লেন্দ অনি অদুদি-উত্তর প্রদেশকী ইতাহ জিলাগী পাটনা বার্দ সেঙ্কচুরিনি অদুগা অমনা গুজরাতকী কটচ জিলাগী ছারিধাননি। ইং ২০১৪ দা রামসর সাইদনা ২৬ ওইরম্বা অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচং মখাদা হৌজিক্তি রামসর সাইদ ৯৮ দা হেনগৎলে হায়না শ্রী যাদবনা ফোংদোকখি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ৱেটলেন্দ অনি অসিদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা উচেক মখলশিং অমদি মপান লৈবাক্তগী পাইরকপা উচেক মখল ১০০ হেন্না থেংনরে।

**পুলিস ঃ** ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিসতা সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমসুং দিপ্যুতি ইন্সপেক্তর জেনরেল ওইনা লৈরিবা ওফিসারশিংনা ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ওইনা প্রমোসন ফংননবা মখোয় মখোয়না হান্না লৈরিবা থবক মফমশিংদা চহি অনি অনি লৈগদবনি হায়রি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইং ২০১১ দা থবক

চংখিবা ওফিসারশিংদগী নিয়মশিং অসি চৎনবা হৌরগনি।

**ফুটবোল ঃ** রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোকপা ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা তরুকশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ফাইনেলদা খুমন লৈবাক ময়াং ইম্ফাল অমসুং পুজা এফ.সি. হৈরোক হয়েং লম্বা থেংনরগনি।

হাউরৈবী মোরনিং স্তার ক্লব অমসুং হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনদুনা স্পোর্টস ফোর পিছফুল কো-ইগজিটেন্স হায়বা হীরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউরৈবী কাংজৈবুংদা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসি হয়েং লোয়শিল্লগনি।

**ক্রিকেট ঃ** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-সোনালিকানা পাথৌ এলভেনবু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা এল.ৱাই.এল. লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা কে.সি.পি. খুরাইবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

৮ শুবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা-ক্যবেটেননা সি.এল.টি. পোরোম্পাৎপু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** গুজরাটকী নাদিয়াদা লৈবা গোকুলভাই সোমাভাই পতেল ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা কর্নেল-সি.কে. নায়ুদু ত্রোফি প্লেট অন্দর টোইন্তি থ্রি মল্টি ডে মেটচকী ঙসি নিনি চনবগী শান্নবা লোয়বদা মনিপুরগী অনিশুবা ইনিংসতা ৱিকেট অহুম তুরগা রন-৩২ লৌরি। মিজোরামগা শান্নবা মেটচ অসিদা মনিপুরগী অহানবা ইন্নিংসতা রন-২১৩ লৌখি। মিজোরামগী অহানবা ইনিংসতনা রন-৩৫৩ লৌখি।

**ফুটবোল ঃ** এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোং লম্পাক্তা চথুরিবা তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এ.এফ.সি. ককচিং খুনৌনা এল.এম.এল.সি.সি. টিম (এ) লমাংদোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-য়াইসা এফ.সিনা সুগ্ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**বোল্লিবোলঃ** কামজোং জিলাগী নমলিদা মথং থাগী তরেৎ ফাওবা নুমিৎ ৮ নি চুপা চথুগদবা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম তরানা শরুক য়ারি।

**মেদলঃ** শরিৎ শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা তেলঙ্গানাগী গান্ধিনগর রামপুরদা থা অসিগী ২৪ দগীনা ২৬ ফাওবা চথুখিবা অহুমশুবা নেসনেল শরিৎ শরাক চেম্পিয়নসিপ্তা নুপীমচাগী জ্নিয়ার গালস গ্রুপকী কিলোগ্রাম ৫০ গী কাংলুপ্তা অহানবা চাইনাবা ইভেন্টতা মনিপুরগী নোংমৈকাপ্পম পুস্পানা সনাগী তকমান ফংল্লকপা ঙমখ্রে।